## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking- Upto date .**
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30.
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app> It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection. Ensure that no customer without fill cylinders on the eve of Diwali and Ningol Chakouba seek your corporation.

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-20-11-2022,**
VALID FROM 12-11-2022,
**STOCK : 306,**
HOME DELIVERY ONLY. (DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423, CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 11/11/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 to 10.00am

**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 01-11-22**
Only home delivery within 4 days
Office no.9774068549
Home delivery contact no.8974511936
Whatsapp no.9366981788
Time 7.30am to 10.30am

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 08/11/2022
**BOOKING UPTO: 14/11/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
For homedelivery:-
Area:
1.Keishampat
2.Khagempalli
3.Kwakeithel
4.Tiddim and Mayai lambi road.
5. Wangkhei
6. Singjamei
7. New Checkon, Palace Compound, Hatta
8. Samurou
9. Langol and National Game Village.
10. Kshetrigao, Naharup and Irilbung.
Please contact through Calls/ SMS/Whatsapp- 9863576002
Timing: 9:00 am to 12:00 pm

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI- 9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837

**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK.UPTO DATED**
Timing 6.30 am to10 am
Contact no:8787632782, 9366471778

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
**BK. UPTO 5-11-2022,**
valid from 25-10-2022,
Home delivery only,
Plz. cont. office nos.
# 9366590870,
# 9862312969,
# 8787326327,
Timing : 10 am to 12 noon.
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
TIMING 9:00 AM TO 01:00 PM
**BOOKING: UPTO DATE, 20 days gap from last delivery**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
FOR ALL SINGJAMEI AREA 7628077876
7085198900 (ENQUIRY)
7628077876 (COMPLAINT)

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (8798905834)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking 08/11/2022**
Valid from 24/10/2022


# পুলিসকী মায়কৈদগী কেস ...

*লামায় ১গী মখা...* সেক্রেটরি (হোম), সেক্রেটরি (লো), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, দিরেক্টর ওফ প্রোজিক্যুসন, দিরেক্টর, ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (পাঙ্গৈ), সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)/এস সী বি, লম্ফেল অমসুং নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী, লম্ফেলনি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পি আই এল অসিগী মতুংইন্না পীরকপা দিরেক্সনশিংগী মতুংইন্না মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিট্টিং এম পি/এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেসশিংগী ৱায়েল চত্থনবা স্পেসল কোর্ট অনী ফাওবা তোঙন তোঙানবা থাক্তা লিংখৎতুনা ৱায়েল চত্থবা হৌহনখ্রবনি।

অদুম ওইনমক পি আই এল অসিগী ৱায়েল হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা লেপ্তুনা চত্থরকপদগী ঙরাং (নবেম্বর ২১, ২০২২) দসু চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমার অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা মেট্টর অসি অমুক হন্না লৌখৎখি। ঙরাং কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পি আই এল অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪ ওইরিবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরগী মায়কৈদগী কোর্টনা মমাঙথক্তা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না 'এদিসনেল এফিদেভিট' অমা সবমিট তৌরক্লে হায়বা ৱাফম কোর্টতা থমখি।

লোয়ননা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী ষ্টেট অসিগী ফোর্মর অমসুং সিট্টিং এম পি/এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেসশিংগী অকূপ্পা ৱারোলশিং এফিদেভিট ওইনা পীখৎলকপদা পেন্দিংদা লৈবা কেসশিং খক্তা নত্তনা ক্লোজ তৌশিনখ্রবা কেসশিংগীসু য়াওশিল্লকপগী মহুত্তা 'টেব্যুলর ষ্টেটমেন্ট' ওইনা হৌজিক ফাওবদ পেন্দিং লৈরিবা কেসশিং খক্তমক সবমিসন তৌরকহন্নীংবগী অপাম্বা পি আই এল অসিগী এমিকস ক্যুরি ওইরিবা সিনিয়র কাউন্সেল ৱাই নিরমোলচান্দনা ফোঙদোকখি।

এমিকস ক্যুরিগী সবমিসন তারবা মতুংদা এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা পুলিসকী মায়কৈদগী সবমিসন তৌরক্লিবা এদিসনেল এফিদেভিট অসিগী 'টেব্যুলর ষ্টেটমেন্ট' পীরক্লবগী মতম পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি। কোর্টনসু প্রেয়র অসিদা অয়াবা পীবগা লোয়ননা পি আই এল অসিগী মখা তাবা ৱায়েল মথং থাগী ৮দা চত্থনবগীদমক নুমিৎ অসিদা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, পুলিসকী মায়কৈদগী সেপ্টেম্বর ২০, ২০২২দা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এদমিনিষ্ট্রেসন) আই কে মুইভানা খূৎয়েক পীদুনা পি আই এল অসিগা মরী লৈননা কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবা 'এদিসনেল এফিদেভিট' অদুদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিট্টিং এম পি/এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেসশিংগী অপূনবা মশীং ২৮নি হায়রকখি। কেসশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট- ১২, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট- ৭, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট- ৪, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট - ৩, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট - ১ অমসুং সী আই দি (ক্রাইম ব্রাঞ্চ) না লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেসনা ১নি হায়রকখি। লোয়ননা সী আই দি (সী বি) না লৌখৎপা কেস অদুগীদি হৌজিক ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চত্থরি হায়রকখি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সন মতুংইন্না লৌখৎতুনা ৱায়েল চত্থরক্লিবা পি আই এল অসিগা মরী লৈননা মমাঙথক্তসু রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪ ওইরিবা দি জি পি, মণিপুরগী মায়কৈদগী জুন ২০২২, ওগষ্ট ২০২২দসু ষ্টেট অসিগী ফোর্মর অমসুং সিট্টিং এম পি/এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিংগা মরী লৈনবা এফিদেভিটশিং হায় কোর্টতা সবমিসন তৌরকখ্রবনি।

# সঙাই ফেষ্টিবেল লৈবাকসিগী কুম্মৈ ওইরক্লে...

*লামায় ১গী মখা...* অমনি হায়রদুনা মসিমক্না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী ত্রেদিসন অমসুং কলচরবু মীয়ামদা উৎনবগী খুদোংচাবা অমা পীবদা নত্তনা মণিপুরগী হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফ্টকী পোত্থোকশিংবু হেন্না য়োকখৎপগী থবকসু য়াওরি হায়খি। মণিপুরবু টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন অমা ওইনা শেমগৎনবগীদমক পোটেন্সিএল মরাং কায়না লৈজবা ফজরবা ষ্টেট অমনি হায়খি। ষ্টেট অসিগী চীং-তম অনীমক্তা মহৌশাগী ফজরবা শক্তমশিং লৈবনা টুরিষ্টশিংবু পূক্নিং শুম্নৎলগনি হায়খি।

মতম অমদা মণিপুর অসি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফত্তবনা মশক তাক্লম্বদু ঙসিদি ফজবশিংনা তাক্লে । লো এন্দ ওর্দরগী ফৎত্রবা ফীভমশিং লৈহল্লোই হায়বসি ষ্টেট লৈঙাক অমদি মণিপুর মীয়ামগী খূৎতা লৈরে। মণিপুরদা টুরিষ্টশিং লাকপদা খ্বাইদগী কিনা লৌনরম্বসি লো এন্দ ওর্দরগী ফৎলমদবা ফীভম অদুননি। অদুবু লাইবক ফবদি হৌখিবা চহী ৫সিদা ষ্টেটসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম হায়নীংঙাই লৈতনা ফগৎলকপগা লোয়ননা তংদু লৈতাবা অমসুং ঈং-চিকপা পুরকপা ঙল্লে হায়খি।

ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চাওরবা কুম্মৈ অসিদা শরুক য়াবা ফংবদা হরাওবসু ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক হৌখিবা চহী ২দি কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপা ঙল্লদ্রে হায়খি।

মণিপুরগী লৈজরিবা ত্রেদিসন অমদি কলচরদা ইনাক খুল্লিবশিং অসি মালেম পুম্বনা খঙনরবনি হায়বগা লোয়নননা নুমিৎ ১০নি চুপ্পা চত্থগদৌরিবা কুম্মৈ অসিগী মনুংদা পুম্নমক অসিবু উৎপা ঙম্লগনি হায়খি। চীংনা কোয়না পনশাবা অমদি তম্পাক্কী ফজরবা মফম কয়া অসিনা মণিপুরবু অমুক্কা হেন্না ফজ হল্লে হায়খি।

লোক্তাক পাৎ অমসুং সিরোই লিলি মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতবশিংনি হায়দুনা শীংথাখি। লোয়ননা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মখাদা লুক ইষ্ট পোলিসি হায়রম্বদগী হৌজিক্না এক্ট ইষ্ট পোলিসি ওন্থোরকপগা লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাক্নসু টুরিজমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী মনুংদা হোটেল কয়া শেমগৎলকপা, লম্বী থোং শেল্লকপনচিংবনা টুরিজম সেক্টরদা মীৎয়েং থম্বা হৌরক্লে। পুম্নমক অসিগী মতাংদা মল্টি মীদিয়া কেম্প্যেন অমা পাঙথোকপসু তঙাইফদে হায়খি।

মালেমগী মফম পুম্নমক্তা টুরিজমনা খ্বাইদগী থুনা চাওখৎলবা সেক্টর অমসু ওইরিবনি। মরম অসিনা মণিপুরদসু হৌজিক্তি সেক্টর অসি চাওখৎলক্লি। অদুবু মার্কেটিং এস্পেক্ট হায়বসিসু অরুবা ৱাফম অমনি। টুরিজম চাওখৎহল্লকপনা নহাশিংদা এমপ্লোইমেন্টগী কান্নবা পীগনি হায়খি।

থৌরম অসিগী মপু ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু মণিপুরগী ইমা, ইচে ইচলশিং মরম কয়াদগী কুম্মৈ অসিগীদমক কেরগা থোক্লরমদবা কুইরবনি অদুবু ঙসিদি মীয়ামগী থৌনিদগী ঈং-চিকপা হঞ্জিল্লক্তুনা ইমা অমসুং ইচে ইচলশিং উবদা য়াম্না নুংঙাই। য়ারগদি মণিপুরগী মীয়াম পূন্না মফম মফম খুদিংগী পাঙথোক্লিবা কুম্মৈ অসিবু চৎতুনা মপূং ফাহনবীয়ু হায়খি।

মণিপুর মীয়ামগীদমক মাঙদা চৎপা হৌরক্লিবা ষ্টেট অসিবু মতেং পাংবীয়ু হায়খি। মণিপুরগী অপূনবা অমখক শাগৎনবা হোৎনবদা 'ফেষ্টিবেল ওফ ৱাননেস' হায়বা পান্দমদা ফুরুপ খুদিংমক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা কুম্মৈ অসি মপূং ফাহল্লসি। অমত্তা ওইবা ইন্দিয়া অমসুং অমত্তা ওইবা মণিপুর ওইহনগদবনি হায়খি।

কুম্মৈ অসিগী মনুং চন্না নহান্দগী হৌখিবা চেরি ব্লোজম ফেষ্টিবেল, সেনাপতিগী মখেলগী হেরিটেজ সাইট, জুকো এক্সপিদিসন অমসুং নিলকুথিদা চীংমীশিংগী ফোক সোং কম্পিটিসননচিংবদসু মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু হায়খি। লোয়ননা কুম্মৈ অসিগী মনুং চন্না এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর, মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর, লো মিনিষ্টর, অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অমদি মপান লৈবাক্কী মীওই কয়াসু লাক্কনি হায়খি। ঙসিসু ইন্টরনেসনল পোলো হৌদোকখ্রে হায়রদুনা মসিদা য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং অমেরিকাগী টিমনা শরুক য়ারি হায়খি। কুম্মৈ অসিগীদমক পুৱারী ওইনা শগোল তোংবা পুলিসশিংনা ঙাক শেনবা হৌরে। নুপীশিংগীসু অশোয় অঙাম য়াওদনা ৱিমেন কম্যান্দো ১০০ রোম থল্লে হায়খি। মণিপুরগী লূনানবা, মীকৌ মীরম ফজবা, থৌগল্লোন ফজবা কয়া অমদি অপূনবগী শক্তমনা কুম্মৈ অসিবু য়েংবা লাক্লিবা মালেমগী মীয়ামদা উহল্লসি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না গভর্ণরগী পোকমিন্নবা ময়াম্বা লা গোপলনবুসু চীফ মিনিষ্টরনা তরাম্না ওক্নুনা ইকায়খুম্ন খি। থৌরম অসিদা মণিপুর টুরিজম কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেন করাম শ্যামনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইরগা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর/এম এল এ অমদি মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি। বোটতা ঙসিদগী হৌখিবা কলচরেল প্রোগ্রামগী মনুং চন্না লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মচানুপা পুদাংকোইনা ওনখিবা সঙাই কনমিন্নসি হায়বা পাউজেল পুবা জগোয় অমা ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙগী আর্টিষ্টশিংনা উৎতুনা অয়েংবা পুম্নমক্কী পূক্নিং শুম্নৎখি। লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মচানুপা পুদাংকোইনা ওনখিবা সঙাই হায়রিবা শা অসি লুৱাং শাগৈদগী মীগী মপোক্না ওনবা মরম্না সঙাই ফারগা মীওইবশিংনা চাবীগনু হায়বা ৱাখল্লোন জগোয় অসিনা উৎখি।

অতোপ্পা ঙসি উৎখিবা জগোয়শিংগী মনুংদা তাঙ্খুল, অনাল, আইমোল ফুরুপশিংগী জগোয়শিং য়াওখিবগা লোয়ননা থাঙ-তা, লিন্দাগী আর্টিষ্টশিং, বোরো, সিক্কিম অমদি নেপালিনচিংবা ফুরুপশিংগী জগোয় ঈশৈসু উৎখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অপূনবগী ওইনা হিংমিন্নসি হায়বা ঈশৈনা কলচরেল প্রোগ্রাম অসিবু হৌদোকখি।

অমরোমদা, ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না মপাল কাংজৈবুংদা চীফ মিনিষ্টরনা ১৪শুবা পোলো ইন্টরনেসনল ওপন হৌদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী শগোলশিং য়োকখৎনবগীদমক 'পোলো রিজর্ভ' অমা শেমগৎলগনি অমসুং মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনদা পোলো অমসুং পোনি কমপ্লেক্সকীদমক একর ৩১ চাওবা লম পীখ্রে হায়খি।

ঙসিগী থৌরমগা মরী লৈননা পুলিস পর্সনেলশিংগী 'শগোলগী পুলিস' সু হৌদোকখি। লোয়ননা কংলা মনুংগী কাংজৈবুংদসু অহানবা চীফ মিনিষ্টরস শগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপ হৌদোক্লে হায়না মীয়ামদা পাউদমখি।

শগোল কাংজৈ পাঙথোক্লিবা অসিমক 'সেভ দি পোনি' কেম্প্যেনগী মনুং চন্ননি হায়রদুনা মপান লমদগী শরুক য়ারগদবা টিমশিং লাকপা ঙমখিদবা নুংঙাইতে। অদুম ওইনমক মখোয়না শরুক য়ানীংবগী ইথিল ফাওখিবা অদুবুদি থাগৎলি হায়খি।

# হোম গার্দস এসোসিএসননা ...

*লামায় ১গী মখা...* চীফ মিনিষ্টরদা শেনফম অসি এসোসিএসনগী প্রেসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা লুচিংলগা ভাইস প্রেসিদেন্ট এস প্রভাবতি, পি চন্দ্রকুমার, জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ ইনাওবী, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ঐচ সুরজ অমসুং এম দি হবিবুর, স্কিম কম্মিটিগী চেয়রমেন এন রবিতা, বট্টালিয়ন-৫গী এম দি য়াকুব আলি, বট্টালিয়ন-২গী এম দি মতলিব, বট্টালিয়ন-১গী এম দি ৱাহিদ, বট্টালিয়ন-৪গী এম দি অবদুল সলাম অমসুং বট্টালিয়ন-৩গী ইন চার্জ দল্লিয়ু ইবেথোইনচিংবনা শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরদা লুপা লাখ ৫গী শেনফম তেংবাঙখিবগী মতাংদা এসোসিএসনগী প্রেসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা ফোঙদোরকপদা লৈঙাক্কী শেল ৱাৎলি হায়দুনা তেংবাঙবা নত্তে, চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগীদমক চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপদা নত্তনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলসু মায় পাক্লবা হোৎনবদা ভূঅদ-চাদা অমদি পোত্থাবা লৈতনা হোৎনরক্লিবা অসিদা এসোসিএসনগী মায়কৈদগীসু মোরেল সপোর্ট পীবদা নত্তনা থম্মোয় শেংনা অঙনম্বা শেনফম খরদং হোম গার্দ পর্সনেলশিংনা খায়নরগা তেংবাঙবনি হায়রি।

# মণিপুরগী শগোলশিং মমল য়াম্মী, মপুশিংনা ...

*লামায় ১গী মখা...* মফম অসি মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী মনাক্তনি। মসিদা হৌজিক শগোল ৪২৫ রোম লৈরে। অদুগা এন আই টি (লম্ফেল) গী কেম্পসকী অৱাং থংবা পুখ্রিগী মনাক্তসু শগোল ২০০ রোম লৈরে। লোয়নননা মণিপুরগী শগোলশিংগীদমক মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী মনাক্তা শঙ অচৌবা অহুমসু শারে। অদুবু শঙশিং অসিদা লৈবা চনগদবা শগোলগী মশীংদি ৫০ রোমদনি হায়রি।

শঙশিং অসিবু শেন্ননবা ওফিসর অমগা ক্যেরটেকর অমগগী লৈফম অমসু শারে। পুম্নমকসিগী মথক্তা মণিপুরগী শগোল খক্তগী ওইবা 'মণিপুর পোনি দিভেলপমেন্ট এন্দ কঞ্জর্ভেসন পোলিসি ২০১৬' সু শেমদুনা লৈরিবনি অদুগা বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী শগোলগীদমক তোঙানবা ফন্দ খরসু হাপ্পা হৌরক্লে হায়রি।

অদুবু শগোল মপুশিংনা লোয়রিবা মখোয়গী শগোলশিংগীদমক নিংথিজনা মকোল শাবীবা অমসুং পীজবীফম থোকপা মচিঞ্জাক পীজবীদনা তাঙলবা শগোল মখল অমা ওইরক্লবা মণিপুরগী পোনিশিংবু পংথা থাদোকপগী হৈনবী অদুমক লৈরিবগুম তৌই। মালেমগী মফম অতৈদো লৈরিবা শগোলশিংগী মনুংদা মণিপুরগী পোনি অসি খরা পীকচরবসু য়াম্না হৈশিংবা মতম অমদা শা লানদা ফাওবা মায় পাক্না শীজিন্নরম্বা শগোল মখল অমনি। অদুবু মপুশিংনা ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্বীদবা, পংথাদা থাদোকপগী হৈনবীনা অমোৎ অকায় অমসুং ফত্ত-হৌদি চারুবদগী নারক-য়েক্লকপা য়াওই। মীগী লৌ-ইঙ্খোলদা চঙলুরগনা চুম্নতগী তান্থোকপীরকপগী মহুত্তা থাঙনা য়াল্লকপা অমসুং মমিৎতা নাওরিনচিংবা কাপশিনবীরক্তুনা অশোক অপন থোকহল্লি। মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবা লম্বী লমজাওদা থাদোরক্লগনা গাড়ীনা থেংলম্বা অমসুং থোল্লম্বনচিংবগী থৌদোকশিং থোকহন্দুনা শগোলশিং শিবা য়াওখ্রে। শিহৌদবশিংনা শোয়নাইরগা লৈবসু য়াওরি। মসি নত্তবদা লম্বী লমজাওদা লৈবা শগোলগী মনাক নক্না চৎথোক চৎশিন তৌরুবদা কাওরক্তুনা মী শিবগী থৌদোকসু থোকখ্রে হায়রি।

পুম্নমক অসি থোরক্তনবগীদমক শগোল মপুশিংনা মাগী মাগী শগোলশিং মকোল শাবীদুনা ফাজিন-পুনশিন্দুনা থম্বীয়ু। দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী লম্বী-লমজাওদা থাদোরক্লে হায়দুনা ফাজিল্লুরবসু মচিঞ্জাক পীজদবা য়ারোই। থাদোরকপা শগোলশিংগী মচিঞ্জাক পীজনবগী শেনফম হৌজিক ফাওবদি ষ্টেট বজেটতা য়াওদ্রি হায়রকখি।

অদুম ওইনমক অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী মণিপুরগী শগোল খক্তা নত্তনা শগোল কাংজৈগীদমক তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। হৈঙাংগী মার্জিং চীংদা ইন্টরনেসনল লেভেলদা লম্পাক অমসু শেল্লে। মপাল কাংজৈবুং অসি শগোল কাংজৈ শান্নবদা খরা পীকই। মণিপুরগী মপালদা লৈবা শগোল কাংজৈ শান্নফমশিংদি অয়াম্বনা চাওই। কংলা মনুংদা শেমগৎলক্লিবা শগোল কাংজৈ শান্নফম অসিসু নীংবা থুংদ্রি। অদুম ওইনমক মীতৈ পানাগী ওইনা শান্নবদি য়ারগনি। মার্জিংদা শেমগৎলক্লিবা অসিদি মথং চহীদগী শগোল কাংজৈ শান্নবা হৌবা য়ারগনি হায়রি।

মার্জিংদা শেমগৎলক্লিবা শগোলগী লৈফম অমসুং শান্নবুংগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীওই খরা ফাওবা হাপ্তুনা থম্লবনি হায়রি। লোয়ননা ঙসিদগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌখিবা ১৪শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল পোলো ২০২২গী ওইনা মপাল কাংজৈবুংদা শগোল ৯০ রোম থমগনি। শগোলশিং অসিগী মচিঞ্জাক নিংথিজনা পীজনবা মীওইশিংসু লৈগনি হায়রি।

দিরেক্টরনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা লোয়শঙগী মায়কৈদগী মণিপুরগী করম করম্বা মফমদা শগোলশিং থাদোক্তুনা মচিঞ্জাক নিংথিজনা পীজবা য়াবা মফমশিং লৈবগে হায়দুনা ফিল্ড ভিজিট পাঙথোক্তুনা ফাওবা য়েংশিল্লুরে। ভিজিট অসিদা শগোলশিংগী চাকতাফম ওইবা য়াবা থেংনরকখিবা মফমশিংদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা য়াইরিপোক অমসুং তেন্থা, ৱাঙুগী তেকচমগী পাৎ ময়া, ময়াংইম্ফাল খোইজুমান মমাঙগী মফমশিং য়াওরি হায়রি।

পাউচে অসিনা খোমজিনবা রিপে র্টশিংগী মতুংইন্না মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা পোলোগী টিমশিংগী মনুংদা কামদেবো এন্দ মেমতোন স্কুল (শীংজমৈ), খুরাই পোলো ক্লব, শগোলবন্দ য়ুথ ক্লব পোলো, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট পোলো ক্লব, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব, থাংমৈবন্দ য়ুথ ক্লব পোলো, তেন্থা পোলো ক্লব, থৌবাল পোলো ক্লব, এক্স পোলো ক্লব, আইদিএল পোলো ক্লব, মৈরাবা ক্লব (থাংমৈবন্দ), ইবুধৌ মার্জিং খুভম কনবা পোলো ক্লব, শগোলবন্দ অপুনবা নহারোল লূপ পোলো ক্লব, কৃপসা পোলো ক্লব (উরিপোক নাওরেমথোং), খুমন পোলো ক্লব (ময়াংইম্ফাল), মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (পাঙ্গৈ), পেরদাইজ পোলো ক্লব (ৱাংখৈ), পোনি ক্যের সেন্টর (কুম্বী), মেজোর কুরাক পোলো ক্লব (নাওরেম লৈকায়) নচিংবনি। মসিগী মথক্তা অসাম রাইফলস পোলো ক্লব (কৈথেলমানবী) নচিংবসু য়াওনা পূন্না পোলো ক্লব ২৪ রোম লৈরিবনি।


## ꯃꯥꯡꯈꯤꯔꯦ / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate bearing Registration No. 3421 of 2021 issued by COHSEM on 18th November, 2022 on the way between Samaram and Khongjom. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Shagolshem Naoba**
Samaram, # 8415025923
HL-P/4995/23

## ꯃꯥꯡꯈꯤꯔꯦ / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate bearing Registration No. 3422 of 2021 issued by COHSEM on 18th November, 2022 on the way between Samaram to Khongjom. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Shagolshem Roshan**
Samaram
HL-P/4694/23

**ꯈꯣꯡꯍꯥꯝꯕ/খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মপান্দগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাথৎপা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা, করিগুম্বদা খোঙ অকনবা হান্নকপা তারগদি অমাংথোঙগী চাথৎফম অদুদা থেংলগা ঈ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংথোঙ মপান্দগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হাম্বদা ঈ অদু তারকপা, ঈ অদু খোঙ হাম্বা খূদিংগী তারকপনা মরম ওইদুনা হকচাংগী হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপা, হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপনা মরম ওইদুনা ঈ কাপ্পা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাথৎপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু হাক্কৎচবা, চাথৎপা অদুদা হাক্কৎচৈ হায়না খোৎলুবা তারগদি তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা, করিগুম্বা খোঙ অকনবা হান্নকপা তারগদি অমাংথোঙ মপানগী চাথৎফম অমদি অমাংথোঙ মনুংগী অপোম্বা অদুদা থেংলগা ঈ তারকপা য়াম্না নাবা, খোঙ অকনবা হামদ্রিমখৈ নুংঙাইবা, লৈকাইগী হীদাক অশেম্বা চারুবদা নোংমা নীনি ফরম্লগা অমুক হৌরকপা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, নময়াং মরিনসু নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবাশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **N. Debakanta Singh**
Sagolband
HL-B/7862/23

## ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯀꯥꯞꯄ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-B/7898/16/11-15/12

## URGENT JOB VACANCY

Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

**Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Official Managerial Staff (no deposite) | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X/XII/G |
| 2 | Helper (female) | Rs. 8000-10000 | 20 | NIL |
| 3 | VIP Driver / Office Driver | Rs. 8000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 8000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Driver (Truck/407/DI) | Rs. 10000 | 10 | VIII/X/XII |
| 6 | Gunman/ Armguard | Rs. 10000-20000 | 10 | VIII/X/XII |
| 7 | Office Reception | Rs. 5000- 15000 | 7 | XII/ Graduate |
| 8 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 9 | Chawkidar | Rs. 7000- 15000 | 8 | VIII/X / XII |
| 10 | Assistant Staff | Negotiable | 10 | XII & Above |
| | **Vacancy of Banking Staff at North East India (Male/Female)** | | | |
| 1 | Operational staff (26 yrs) | Rs. 15000-25000 | 10 | Graduate |
| 2 | Account Opening (25 yrs) | Rs. 14000- Above | 8 | Graduate |
| 3 | Loan Officer (30 yrs) | Rs. 15000+ incentive | 10 | Graduate |
| | **Airport Job Vacancy at Delhi, Kolkata & Hyderabad 100% Job Placement** | | | |
| 1 | G. Shopping Mall / Plaza Staff | Rs. 40K-70K | 20 | XII/Grad |
| 2 | C.S.A. | Rs.60K | 20 | Graduate |
| 3 | VIP Lounge Staff | Rs. 70K | 15 | XII/Grad |
| 4 | Asst. Staff | RS.40K | 20 | XII/Grad |
| 5 | Security Staff | Rs. 35k-40k | 20 | X/XII/Grad |

Last Date of Submission : 28/11/2022
Office Timing : 10:30 am to 3:00 pm
Salai Unemployment Service Centre
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking
For More Information Please contact
**# 8794793684 / 7641836503**
HL-P/4809/6,7,9,11,13,16,18,20,23,27

# ANGELS' COACHING CENTRE

URIPOK POLEM LEIKAI

**ADMISSION OPEN** Class 10 (REVISION) Starts on 22ND Dec., 22
FINAL EXAM PREPARATION CLASS 4 TO 9 STARTS ON 21ST NOV., 22
FOUNDATION COURSE 6 TO 10 STARTS ON JANUARY 2023




SUBJECT TOPPERS 2022
MATHEMATICS: 100
1. BIDYA TH. (LFS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)
3. GAGAN N. (S/S)
4. KH. TOP JOHN (HERITAGE)
5. SANAMATUM (RIGHT STEP)
6. MALEMNGANBI S. (NBS)
7. M. KHELINA (LFS)
8. SABIRAH BEGUM (NBS)
9. S. SWATI (LFS)
10. SHINY S. (NBS)
11. SUBHALAKSHMI (TINY TOTS)
HR. MATHS : 100
1. B. BRINDA (NBS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)

**Mega Mock Test, 2023 Starts on 2ND feb.23**

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS WITH WI-FI FREE CAMPUS

CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/7907/21

## SERENE

EDUCATIONAL FOUNDATION
NAGAMAPAL SORAM LEIRAK, IMPHAL

POST VACANCY : 5

Application are invited from the intending candidates for the following post:

| SL.NO. | POST | QUALIFICATION | SALARY | NO. OF POST |
|---|---|---|---|---|
| 1 | i) WARDEN (Sc. TEACHER) | M.Sc/B.Sc MATHS, PHYSICS CHEMISTRY | 15000-18000 | 3 |
| | ii) WARDEN (S.Sc TEACHER) | M.A/B.A IN ENGLISH, HIS, GEO, POL., ECO. | 15000-18000 | 1 |
| 2 | COOK | - | 8000 - 10000 | 1 |
| 3 | HELPER | - | 8000 | 1 |

**Submit your resume at the office between 7 am to 11 am on or before 28th November 2022**
HL-P/5029/22,23

## APOLLO ACADEMY

MOULDING MEDICAL AND ENGG. CAREER

REGISTRATION OPEN FOR
EXAM IDEA REVISION COURSE-HSE 2022-23
Grab your rank and get the Inspired Awardee in HSE-2023

**XII Sc. REVISION SUBJECTS:**
1) Phy + Chem + Bio + Maths (Both CBSE and COHSEM)
2) Eng + MM + Comp Sc + Home Sc (COHSEM only)
Class starts : 24/11/2022 (Timing - 3:30 pm to 7:40 pm)

**Class XI Sc. Condense Course : Phy. + Chem. + Bio. + Maths.**
Class starts : 28/11/2022 (Timing- 4:20 pm to 7:40 pm)

*Special Features*
✔ PROVIDE SUGGESTED STUDY MATERIALS
✔ MEGA MOCK TEST FOR 6 SUBJECTS
✔ HOSTEL SEATS (LIMITED) FOR BOYS AND GIRLS

*For More Information, Please Visit: Apollo Office (7 am - 4 pm)*
Kwakeithel Bazar, near AMUCO Office *Forms are available at office*
HL-B/7869/16,18,20,22,23,24,25